Hueiyen Lanpao

ফর্ষ্ট মিষ্টর খোরিফাবা ২০১৯ ষ্টেট লেভেল বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ

# মেন্স ফিটনেসতা গুলিপ, ৱিমেন্স ফিটনেসতা সচিবলা, সেনিয়রগীদা রিসিকান্ত, জুনিয়রগীদনা মিনকেটন্না অহানবা পোজিসন তাখ্রে






ইম্ফাল, ওক্টোবর২৫ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর বোদিবিল্ডর এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা মিষ্টর খোরিফাবা ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকপা বিরলা ইম্পোরিয়ম প্রাইভেট লিমিটেদ ফর্ষ্ট মিষ্টর খোরিফাবা ২০১৯ ষ্টেট লেভেল বোদিবিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ নম্বোল বজারগী সিটি পার্কিংদা পাঙথোকখিবা অদুগী মেন্স ফিটনেসতা পুয়াম গুলিপ, ৱিমেন্স ফিটনেসতা খোইস্নাম সচিবলা, সেনিয়রগীদা এল রিসিকান্ত, জুনিয়রগীদনা ঐচ মিনকেটন্না অহানবা পোজিসন তাখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসি হৌদোকপগী থৌরমদা বিরলা ইম্পোরিয়ম প্রাইভেট লিমিটেদকী ফাউন্দর সী ঈ ও য়ুম্নাম ইরাবন্তনা চিফ গেষ্ট, মিষ্টর খোরিফাবা ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট সলাম ব্রজমনিনা প্রসিদেন্ট, অম্বাগী প্রসিদেন্ট এন রতননা গেষ্ট ওফ ওনর, নম্বোল এল সানোই কোলেজকী রিটয়ার্দ প্রিন্সিপাল মোংজম ইবোহল, এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর পি সরতকুমার, বেথেল ইংলিস স্কুলগী ফাউন্দর কোঞ্জেংবম তোম্বা, মণিপুরী ফিল্ম এক্ট্রেশ মন্দা লৈমা, সেন্ট্রলর ব্রাইটর ইরা ফাউন্দেসনগী তেকচম চীংলেন, ইরা ফাইনান্সকী লোন ওফিসর য়াইফবা ওইনাম, অনুলগী মোংজম অনিতা, ইন্টরনেসনল ফিটনেস ইন ফেসন আইকোন এৱার্দ ২০১৯গী অশাকিরন কোন্সম, সনসাইন কিদস স্কুলগী ফাউন্দর এম পদ্মাবতি শরুক য়াখি।

তোঙান তোঙানবা জিম ৩২দগী শাফবা ৭৪না শরুক য়াদুনা জুনিয়র, সেনিয়র, ৱিমেন্স ফিটনেস অমসুং মেন ফিটনেস হায়রিবা কেটেগোরিশিংদা অথোই অহেন তান্নখিবা চেম্পিয়নশিপ অসিগী মেন্স ফিটনেস কেটেগোরিদা সলাই বোদি স্কলপচর তেরা জিমগী শাফবা পুয়াম গুলিপনা অহানবা, সুপর জিম খুরাইগী শাফবা হুইদ্রোম খম্বা থোংলেননা অনীশুবা, কে এফ সী ক্যামগেগী শাফবা চীরোম সঞ্জুনা অহুমশুবা, রোয়ল জিম নিঙোমথোংগী শাফবা ৱাংখৈময়ুম চিত্তরঞ্জননা মরিশুবা, দি জিম রেবোন নাগামপালগী শাফবা এম দি ফজিরুল হকনা মঙাশুবা, মাউন্টেন জিম থাংমৈবন্দগী শাফবা থৌনাওজম অজয়না তরুমশুবা, সলাই বোদি স্কলপচর তেরাগী শাফবা রাজকুমার কেনসননা ৭শুবা, সুপর জিম খুরাইগী শাফবা লাইখুরাম সচিনন্দনা ৮শুবা, গোল্ডস জিম শিংজমৈগী শাফবা সুরফরাজনা ৯শুবা অদুগা গোল্ডস জিম শিংজমৈগী শাফবা পর্কিনচান্দনা ১০শুবা পোজিসন তাখি।

ৱিমেন্স ফিটনেসকী কেটেগোরিদা সী এফ সী নম্বোলগী শাফবী খোইস্নাম সচিবলা চনুনা অহানবা, এম এম ফিটনেস ককচীংগী শাফবী সোনিয়া লাইশাংবমনা অনীশুবা অদুগা দি জিম রিবোর্ন নাগামপালগী শাফবী এন বিচিত্রানা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

জুনিয়র কেটেগোরিদা অক্স জিম ককচীংগী শাফবা ঐচ মিনকেটননা অহানবা, কে বি বি জিম তেরাগী শাফবা এস প্রিয়াঙ্করনা অনীশুবা, কে বি জিম থৌবালগী এস কিষননা অহুমশুবা, দিভাইন ফিজিক খুরাইগী শাফবা ৱাইরাকেশনা মরিশুবা অদুগা সলাই বোদি স্কলপচর তেরাগী শাফবা এস ঐচ মালেমঙানবা মৈতৈনা ৫শুবা পোজিসন তাখি।

সেনিয়র মেনগী কেটেগোরিদা কে বি বি জিম তেরাগী শাফবা এল রিসিকান্তনা অহানবা, এম এম ফিটনেস সেন্টরগী শাফবা মরাদোনা কে এস ঐচনা অনীশুবা, এম পি এস সী জিমগী শাফবা দব্লিয়ু কিরননা অহুমশুবা, লেঙতোং কামৈ ফাউন্দেসন জিমগী শাফবা দব্লিয়ু প্রিয়োবতনা মরিশুবা অদুগা গোল্ডস জিম শিংজমৈগী শাফবা আর কে সুরেসনা মঙাশুবা পোজিসন তাখি।

৯শুবা কাংজম কর্নজিৎ সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ

# এস ৱাই পি এ সেকমাইনা এন আই এস সী লাইরেঞ্জমবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর২৫ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা ৱাই দব্লীয়ু সি মালোম গ্রাউন্দদা চথরিবা ৯শুবা কাংজম কর্নজিৎ সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস ৱাই পি এ সেকমাইনা এন আই এস সী লাইরেঞ্জমবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।



তোঙান-তোঙানবা টিম ৭না শরুক য়াদুনা লীগ বেসিসতা চথরিবা ৯শুবা কাংজম কর্নজিৎ সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ১৩শুবা মেচ ওইনা এন আই এস সী লাইরেঞ্জম অমসুং এস ৱাই পি এ সেকমাই লম্বা তৌনখি। মেচ অসি হেক হৌবগা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নরকখি। মেচকী ১২শুবা মিনটতা এন আই এস সী লাইরেঞ্জমগী শান্নরোয় এন জি অমরজিৎ জর্সি নম্বর ১৭না পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি।

অমরজিৎনা চনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা এস ৱাই পি এ সেকমাইগী মায়কৈদগী অকনবা শাফুগা লোয়ননা এটেক চথরকখি। মখোয়গী এটেক মহয় য়ানখি। মেচকী ২২শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় এস মুকেশ জর্সি নম্বর ১৭না ইক্বেলাইজ ওইবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ১-১দা লৈহনখি। এস ৱাই পি এ সেকমাইনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা মেচকী ৪০শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় সনাথোই জর্সি নম্বর ২০না অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু ২-১দা মাঙজিল থাহন্দুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা এস ৱাই পি এ সেকমাইগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজনা শান্নরকখি। মেচকী ৭৬শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় এস মুকেশ জর্সি নম্বর ১৭না অহুমশুবা পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু ৩-১দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। মখা তানা এন আই এস সী লাইরেঞ্জমনা মখোয়গী শোথরিবা পাঞ্জলশিং অদু ফুকৎনবা হোৎনরবসু এস ৱাই পি এ সেকমাইগী দিফেন্স লাইন য়াম্না লীংনা লৈখিবনা কান্নবা ফংখিদে। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু এস ৱাই পি এ সেকমাইনা পাঞ্জল ৩-১দা মায় পাকখি।

৩৫শুবা এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯

# এম পি এস সী (বি), সী আর পি এফ টিম লাংজিং মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর২৫ (ঐচএনএস): মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসন্না শীন্দুনা মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা ৩৫শুবা এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এম পি এস সী (বি) অমসুং সী আর পি এফ টিম লাংজিং মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৩৪না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৩৫শুবা এন হজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসিগী শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) অমসুং কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল (দি) লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা চক্রদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) না পাঞ্জল ৭ চনখি। কে এন্দ এম এম রাসদিং স্কুল (দি) না পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) ৭-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা চক্রদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) না পাঞ্জল ২ চনখি। কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল (দি) না পাঞ্জল ১ চনখি। চক্র অসিদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) না পাঞ্জল ২-১দা মাঙজিল থাখি।

অহুমশুবা চক্রদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) না পাঞ্জল ৪ চনখি অদুগা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল (দি) না পাঞ্জল অমখক চনখিবনা চক্র অসিদসু মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) না পাঞ্জল ৪-১দা মাঙজিল থাখি।

মেচ অসিগী অরোইবা চক্রদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) না পাঞ্জল ২ অদুগা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল (দি) না পাঞ্জল অমা চনখি। মেচ অসিদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) না পূন্না পাঞ্জল ১৫ অদুগা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুলনা পাঞ্জল ৩ চনখি। মেচ অসিদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) না কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুল (দি) বু পাঞ্জল ১৫-৩দা মায়থীবা পীখি।

মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) গী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু ও সুরেশ, অবুং, প্রদিপকুমার, রোমেন, সরতকান্তনা চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা কে এন্দ এম এম রাইদিং স্কুলগী পাঞ্জল অদুনা পামহৈবা অমদি রোহিটনা চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শমুরৌ পোলো ক্লব অমসুং সী আর পি এফ পোলো টিম লম্বা তৌনখি। মেচ অদুদা সী আর পি এফ পোলো টিমনা শমুরৌ পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৮-৭তা মায়থীবা পীখি।

সী আর পি এফকী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু ৱাই ওকেন্দ্রজিৎ, ঐচ দ্রাকুলা খুমন, দব্লিয়ু দিকেন অমদি এম রুপেননা চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা শমুরৌ পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদুনা এ এলেক্স, এল চলাম্বা অমদি এন বিনোদনা চনখি।

১৪শুবা এন বলানন্দ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯

# টি ঐচ এ এস সী ও নিংথৌখোং অমসুং এস দব্লিয়ু সী ইশোক ফাইনেলদা থেংনরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর২৫ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা মিনি ষ্টেদিয়ম গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৪শুবা এন বলানন্দ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা এস দব্লিয়ু সী ইশোকনা লোক্তাক এফ সী প্রোজেক্টপু পাঞ্জল ৩-২দা অদুগা অনীশুবা সেমী ফাইনেলদা টি ঐচ এ এস সী ও নিংথৌখোংনা ৱাই দব্লিয়ু সী য়ুম্নাম খুনৌবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।



তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা ১৪শুবা এন বলানন্দ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা এস দব্লিয়ু সী সশোক অমসুং লোক্তাক এফ সী লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফ হৌবগী অনীশুবা মিনটতা লোক্তাক এফ সীগী শান্নরোয় দি কে লালরেমরৌট জর্সি নম্বর ২৩না পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। মেচকী ১০শুবা মিনটতা টিম মেট অদাইপামৈ জর্সিনম্বর ৫না অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এস দব্লিয়ু সী ইশোকনা মখোয়গী শোথরিবা পাঞ্জলশিং অদু অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা এস দব্লিয়ু সী ইশোকনা অহানবা হাফতা শান্নরম্বা অদুদগী তোঙান তোঙানবা টেক্নিক কয়া শীজিন্নদুনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনরকখি। মেচকী ৩৭শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় এল ইবোচৌ জর্সি নম্বর ১৭ পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ১-২দা লৈহনখি।

মখা তানা লেপ্তুনা এস দব্লিয়ু সী ইশোক্লা চথরকপা এটেকশিংদা মেচকী ৪৭শুবা মিনট অমদি ৫৭শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় ঐচ মহেশ জর্সি নম্বর ১০ অমদি লুঙাইলান জর্সি নম্বর ১৩না পাঞ্জল অনীচন্দুনা মেচ অদু ৩-২দা অমুক মাঙজিল থাহনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা লোক্তাক এফ সীনা শোথরিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্লবা হোৎনরবসু মেচকী অপীবা মতম লোইখিবনা এস দব্লিয়ু সী ইশোক্লা পাঞ্জল ৩-২দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখি।

অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা টি ঐচ এ এস সী ও নিংথৌখোং অমসুং দব্লিয়ু ৱাই সী য়ুম্নাম খুনৌ লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা টি ঐচ এ এস সী ওনা দব্লিয়ু ৱাই সী য়ুম্নাম খুনৌবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখি। টি ঐচ এ এস সী ওগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু দব্লিয়ু জোন জর্সি নম্বর ১৯না চনখি। অদুগা দব্লিয়ু ৱাই সীগী পাঞ্জল অদুনা এল খম্বতোন জর্সি নম্বর ১৭না চনখি।

# ব্রাইটর একাদেমি খুম্বোংনা অহানবা পোজিসন তাখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর২৫ (ঐচএনএস): কংলৈ ইন্দিজিনস মার্সিএল আর্টস এন্দ কলচরেল সোসাইটি (কিমাক্স) না নুমিৎ নীনি চূপ্না চথরকপা ৪শুবা কিমাক্স ইন্টর স্কুল থাঙ-তা গ্রুপ কম্পিটিসন (শাজেল কাঙলোন চাংদম্নবা) ২০১৯ ঙসি মল্টিপরপজ হোল খুমন লম্পাক্তা মায় পাক্না লোইশিনখিবগা লোয়ননা ব্রাইটর একাদেমি খুম্বোংনা অহানবা পোজিসন তাখ্রে।

থাঙ-তাবু তোঙানবা সবজেক্ট অমা ওইনা হাপ্পিবা তোঙান তোঙানবা স্কুল ২১গী মহৈরোয় ৬০০না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অদুদা ব্রাইটর একাদেমি খুম্বোংনা অহানবা, জেম পব্লিক স্কুল পৌরাবিনা অনীশুবা, ব্রাইটর একাদেমি খুম্বোংনা অহুমশুবা অদুগা ইম্মান্যুএল ইংলিস একাদেমি য়াইরিপোকনা মরিশুবা পোজিসন তাখি।

কম্পিটিসন অসি মরুওইনা মণিপুরদা লৈরিবা স্কুলশিং অসিগী কমন প্লেটফোর্ম অমা পীনবা হোৎনবনি। হায়রিবা কম্পিটিসন অসিদা মকোক মথং তাখ্রবা স্কুলশিং অসিদা কেশ প্রাইজ, সার্টিফিকেট অমদি মমেন্টো পীদুনা পুক্নিং থৌগৎপগী থৌরম ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা থাঙ-তাগী নুমিৎ হায়না লাউথোকখ্রবা নবেম্বর ১৫ দা লৈবাক্কী থাক্তা চাউনা পাঙথোক্কনি। মরম অদুনা হায়রিবা থৌরম অসিদা কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয় খুদিংমক্না শরুক য়াবীয়ু হায়না কংলৈ ইন্দিজিনস মার্সিএল আর্টস এন্দ কলচরেল সোসাইটি (কিমাক্স) না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

# এম পি এস সী (এ) অমসুং এম পি এস সী (বি) ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচএনএস): থৌবাল হোকি এসোসিএসন্না শীন্দুনা থৌবাল মেলা গ্রাউন্দ য়ুনিটি পার্কতা নুমিদাংগী মতমদা ফ্লদ লাইটকী মতেংনা শান্নবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ওপন মেন্স সিক্স এ সাইদ হোকি টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা এম পি এস সী (এ) অমসুং এম পি এস সী (বি) লম্বা তৌনরগনি। এম পি এস সী (এ) না ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেলদা টি ঐচ এবু ৫-২দা থোইখি। অদুগা এম পি এস সী (বি) কোস্মোবু ৬-২দা থোইরমখি।

# গোপালদেব কাংখূৎ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচএনএস) : মণিপুর কাং এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা গোপালদেব কাংখূৎ য়াইস্কুলনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ৫শুবা শ্রীশ্রী গোপালদেব কাং টুর্নামেন্টকী চহী ৬০ মথক্কী সুপর লীগকী মেচ অমদা গোপালদেব কাংখূৎনা বমদিয়র কাংখূৎপু ৩৩-২১দা থোইখ্রে।

সভেন এ সাইদ ভিলেজ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# সঙাই এফ সী, লৈহাও এফ সী, ঙাইরাংবম এফ সী, এল কে এস য়ু মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর২৫ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট ষ্টুদেন্ট ক্লব খুম্বোংনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট সভেন এ সাইদ ভিলেজ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা সঙাই এফ সী, লৈহাও এফ সী, ঙাইরাংবম এফ সী, এল কে এস য়ু মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৬না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা সভেন এ সাইদ ভিলেজ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ১৭শুবা মেচতা সঙাই এফ সী খুম্বোংনা মঙাল এফ সীবু পাঞ্জল ৬-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

সঙাই এফ সী খুম্বোংগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু ও মনিতোন, সোভা, পি লিম্থোই, ও মোচানা চনখি। অদুগা মঙাল এফ সীগী পাঞ্জল অদুনা ঐচ বিধিয়ান্দা অমদি এম মালেমঙানবনা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৮শুবা মেচ ওইনা লৈহাও এফ সী ঙাইরাংবম অমসুং এন এস য়ু অৱাং পোৎশংবম শান্নখিবদা লৈহাও এফ সী ঙাইরাংবম্না এন এস য়ু অৱাং পোৎশংবমবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখি। লৈহাও এফ সীগী পাঞ্জল অদুনা রুপনা চনখি।

১৯শুবা মেচতা কাংমোং এফ সী অমসুং এল এল ৱাই সী লম্বা তৌনখিবদা কাংমোং এফ সীনা এল এল ৱাই সীবু পাঞ্জল ৬-১দা মায়থীবা পীখি।

২০শুবা মেচতা ঙাইরাংবম এফ সী অমসুং বি এফ সী লম্বা তৌনখিবদা ঙাইরাংবম এফ সীনা বি এফ সীবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখি। ২১শুবা মেচতা এল কে এস য়ু লোইতাং অমসুং আই দব্লিয়ু এস সী (এ) শান্নখিবদা এল কে এস য়ু লোইতাংনা আই দব্লিয়ু এস সী (এ) বু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখি। এল কে এস য়ুগী পাঞ্জলশিং অদু চীংখৈ, জেনি অমদি দয়ানা চনখি।




HL-B/5772/26-31oct./1-25nov.



HL-P/5005/18-31/1-20 nov.



HL-B/5751/19,20,21...



HL-B/5749/17oct-16nov.


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com